ওল মণিপুর দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (অমদ্দা) ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ হৌনবী মতুংইন্না ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী কৈরক অৰাং লৈকায়দা অমদ্দাগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ডা. টি এম রাজেন অয়াংবনা হাংদোকখিবা

OFFICE OF THE
ALL MANIPUR DALIT
DEVELOPMENT ASSOCIATION
KAKCHING DISTRICT BRANCH

মুক্তাখল অমদি ফাইতোলগী রেভিন্যু ভিলেজবু দিস্প্যুটেদ এরিয়ানি হায়না ওর্দর থোক্লকখিবদা জিরিবামগী মীয়াম অমদি জে দি ওনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না জে দি ও জিরিবামগী প্রসিদেন্ট নোংমাইথেম সদানন্দনা পাউগী মীফমদা ফোঙদোকখিবা

রাইটর্স ফোরম ইম্ফালনা শীন্দুনা মণিপুর হিন্দী পরিষদ ইম্ফালগী ওদিটোরিয়মদা সাহিত্য পাউ ১১৮শুবা মশীং অমদি মোইরাংথেম রাজেননা ইবা *মৈৰাইরক্লবা নুমীদাংৰাই* ফোঙখিবগী শক্তম

সাহিত্যগী পাউ অমসুং লাইরিব

বরাক সার্কলগী অমত্তা ঙাইরবা বোরোবেক্রা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ৰাৎলিবা প্রিন্সিপাল অমদি কেমিষ্ট্রিগী ওজা অথুবা মতমদা হাপ্পীদুনা লৈঙাক্কী অফবা স্কুল অমা ওইহনবীয়ু হায়না স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংনা খোঙজং চঙশিনখিবা

লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : রাইটর্স ফোরম, ইম্ফালনা শীন্দুনা মণিপুর হিন্দী পরিষদ ইম্ফালগী ওদিটোরিয়মদা সাহিত্যগী পাউ ১১৮শুবা মশীং অমসুং ৰারীমচাগী লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা মোইরাংথেম রাজেননা ইবা *মৈৰাইরক্লবা নুমীদাংৰাই* হায়বা লাইরিক অসি ফোঙখি।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা রাইটর্স ফোরম ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট কৈশাম প্রিয়োকুমার অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট ইরুংবম বসন্তনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি। মোইরাংথেম রাজেননা ইবা মৈৰাইরক্লবা নুমীদাংৰাই হায়রিবা লাইরিক অসিগী মরমদনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরীগী এসোসিয়েট প্রোফেসর ডা. ৰাহেংবম কুমারীনা ৰা ঙাংখি। ঙসিগী লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা লমদম অসিগী খোরিরোলবু নুংশিবীবা মীওই কয়া য়াওনা ফোরম অসিগী সেক্রেটরি মোইরাথেম নোটিলালসু শরুক য়াখি।

নেসনল কন্সটিট্যুসন দে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নেসনল কন্সটিট্যুসন দে পাঙথোক্লবগুম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লিলোং হাওরৈবী কোলেজগী মল্টিপর্পজ হোলদসু নেসনল কন্সটিট্যুসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডা. এম দি রহৈজুদ্দিন সৈখকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কোলেজ অসিগী পোলিটিকেল সাইন্স দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর এম দি সফিকর, এস শান্তিকুমার, জাকির হুসেন, এল ধনেশ্বর, ডা. এল সনাহনবীনচিংবা কোলেজ অসিগী ওজা কয়াসু শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা নো য়োর কন্সটিট্যুসন হায়বা থীমদা ক্যুইজগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : রোংমৈ ওফ দেল্লী এন সী আরনা তরেৎশুবা চরুৰাংসি ২০২২গী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না রোংমৈ চম্নাসী ফৰম দেল্লী (আর সী পি দি)গী প্রসিদেন্ট অমদি জেনরেল লেসক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অসি নাগা ফুরুপকী রোংমৈ কম্যুনিটিশিংগী ওইবা অপূনবগী মীফম অমদি মখোয়গী মরক্তা খন্ন-নৈনবগী মতাংদা পাঙথোকপা থৌরম অমনি। অসিগুম্বা থৌরম অসি চহী খূদিংগী ওইনা শীন্দুনা পাঙথোক্লি। থৌরম অদুদা তমেংলোংগী এম এল এ জাংহেমলুন পানমৈনা চীফ গেষ্ট অমদি রোংমৈ নাগা ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট দাইচুই গাংমৈনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোন অপূনবা লূপ (মীলাল) কংলৈপাক্কী কুমজা ২০২৩-২৫কী নৌনা থৌ পুগদবা মীওইশিং মীলালগী জেনরেল বোদি মীফম পাঙথোক্তুনা মীলাল একাদেমীক ফোরম, এদভাইজর মীলাল য়াওনা খনখ্রে হায়না মীলাল কংলৈপাক্কী সেক্রেটরি পব্লিসিটি সোইবম অরুন মীতৈগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

প্রসিদেন্টতা খাইদেম ইঙোচা, ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনাম কৈনাহনবী লৈমা, নামৈরাকপম রতন অমদি ৰাইখোম গোজেননি। সেক্রেটরি জেনরেলদা লাঙ্গোলজম নোংমাইলেন্নী, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জেনরেল খুন্দোংবম হেমন্ত, সেক্রেটরি ফাইনান্সতা মাইবম ইন্দ্রজিৎ, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ফাইনান্সতা সিনাম কুন্দিচা, এদ্যুকেসন সেক্রেটরিদা ফিলেম বালেশ্বর, এসিষ্টেন্ট এদ্যুকেসন সেক্রেটরিদা চোংথাম উমাকান্ত, সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসনদা সগোলশেম বিনাতানচিংবনি হায়রি।

লমদম অসিগী নাৎকা চুনদবা শগোল গাড়ী হৌদোক্তুনা মণিপুরী পোনিবু শীজিন্নবসি লাইবক থীবনি : দেসাম

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী মাঙশিল্লক্লবা শগোল অসি শীজিন্নফম লৈতবগী মুখৎরকপনা শীজিন্নফম থিবা ওইনা শগোল গাড়ী শীজিন্নবা হৌরকপা অসি ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা য়াম্না ৰানা তাশিন-খোমজিন্দুনা লাকখিবা কলচরদা কম্প্রোমাইজ তৌরকপনি, য়েলহৌমী মৈতৈগী কলচরেল ভেল্যু হন্থহল্লি, থৌওং অসিনা মণিপুরী শগোল পোনিবু কনবা ঙম্লোই। হেন্না হেন্না মমি শামথরক্কনি হায়না দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী প্রসিদেন্ট লৈশাংথেম লময়ানবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

শগোল লোয়রিবশিংদা পীগদবা ইন্সেন্টিভশিং শোয়দনা পীবীবা, শগোল থাদোক্তুনা ৰাইল্দ হোর্স ওইনা লৈজখিনবা সেঙ্কচ্যুরিজ শেমগৎপীবা, শগোলগী চাক্তাফম শেমগৎপীবা, তোয়না তোয়না শগোল কাংজৈগী পোলো টুর্নামেন্টশিং শীনবীবা, হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা অখন্ননা শগোল থৌবা তম্বীবা, মাউন্ট পুলিস শেমগৎতুনা লৈবাক ঙাকমিন্নবগী মচৎতু হৌদোকপীবা অসিনচিংবা ওইনা ঈকায় খুম্ননা শীজিন্নদুনা মণিপুরী শগোলবু ঙাক শেনবগী অপাম্বা লৈজে। মদুগী মহুৎতা ২১শুবা চহীচাগী টেক্নোলোজি খম থেংনা ৰাংলবা মতম অসিদা চহীচা কয়া নীংতম্বা ঙাক্তুনা লাক্লবা শগোলবু মীনাই ওইনা লমদমসিগী নাৎকা চুনদবা মওংদা শগোল তোঙ্গা (শগোল গাড়ী) চৎনহন্দুনা শেল তাল্লগা শগোল য়োকখৎলগনি হায়রগদি মদু তনিং-তমাং ওন্নবা থৌওংনি। মণিপুরগী শগোল লোয়রিবশিংনা শগোল অসি ঙসি ফাওবা ঙাক শেন্দুনা লাকপনি। মসিদা লৈঙাক্লা অহেনবা শেন্থং থাদদুনা পূক্লিং থৌগৎপীয়ু। শগোল য়োকপা ঙম্লক্তবদগী শগোল গাড়ী শীজিন্নদুনা শেল তাল্লগা শগোল থাক্কনি খল্লকপগী থাক অদু য়ৌরক্লবনিনা লৈঙাক্লা হেন্না কনশিনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু।

শগোল শীজিন্নবা তারবসু মণিপুরগী কলচরবু ঈকায় খুম্নবগা লোয়ননা শীজিন্নবগী প্রোটোকোল লৈহল্লু। ইচম চম্বা শা অমা শীজিন্নরগা মাঙহনবীগনু। ইংলেন্দগী মহারানি লাক্লগা শগোল গাড়ী তোংগে হায়রক্লবা ফাওবা মণিপুরদদি শগোল গাড়ী তোংবা য়ারোই চৎনদে হায়বগী মতিং অদু লমদম অসিগী লুচিংবশিংদা লৈহন্নিংই। মরম অদুনা পোনিবু কন্নবগীদমক অমদি মখা তানা এক্সপ্লোইটেসন তৌবীদনবগীদমক লৈঙাক্কী অহেনবা মীৎয়েং চঙবীনবা পূক্লিং চিংশিঞ্জরি।

বৃটিশনা মণিপুর পাল্লিঙৈ মতম ফাওবা মণিপুরদা শগোল গাড়ী তোংবা চৎনদে হায়দুনা শীজিন্নহনখিদবা খুন্নাইনি। মসি হৌজিক্কী মীরোলদা নীংশিংহন্দুনা মতিং শাগৎকদবনি। লমদমসিগী সিভিলাইজেসন অমদি আইদেন্টিটিদা শগোল অসি তৎন-থানবা য়াদনা অদুম্মক লোয়নদুনা লাকই। লমদমসিগী মৈতৈগী নাৎ-লাইনিং ওইরিবা লাইনিংথৌ সনামহীগী হকচাংদগী ওইখিবনি থাজনবা অমদি মায়কৈ ঙাকপা লাই ওইনা ইরাৎনরিবা ইবুধৌ মাজি’ংনা সমুদোন অয়াংববু খোইরিনা ফাদুনা লাই হাক্তক্তগী শাগোন্নরকই হায়দুনা শগোল কৌখিবনি হায়বগী থাজবা ৰারী কয়া লৈশেঙ্লোন্দগী লৈদুনা লাকখিবনি। ইবুধৌ মাজি’ংবু সমুদোন অয়াংবগী লাইনি নীংনদুনা মৈতৈশিংগী খ্বাইদগী লুবা লাইফম্লেন অমা ওইনা লৈরি। ঔগ্রি ঈশৈদসু শৈথারি। নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা লেপ্পা লৈতনা লাইনিংথৌ সনামহী অমদি ইবুধৌ মার্জিংদা লৈপাক নিংথৌনা শগোল কৎতুনা থাদোক্লবগী চৎনবী লৈখি। মৈতৈ অসি লমদমসিদা শগোল পোকপা লাইনিংথৌ অমদি খোরিফাবনচিংবা শগোলগী পুৰারীগা লোয়নবা লাইফম্লেন কয়াবু উমংলাই ওইনা লাৎলিবা ফুরুপ অমনি। শগোল শিবদা মী অমা শিবগুম্না চপ মান্নবা শোরাৎ শোনবগী চৎনবী লৈবা ফুরুপনি।

নাকল অমরোমদা, লমদম অসিদগী শগোল কাংজৈ হৌদোকখিবগী চাউথোকচবা লৈরিবা অমদি শগোল কাংজৈনা মালেমদা মশক তাক্লখিবা, লমদমসিগী পুন্সি মহিং, নাৎ, চৎনরোলদা শগোলনা লৌরিবা থৌদাং অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা ১৮৯১দা মতম অদুগী ইন্দিয়াগী ভাইসরোয় ওইরম্বা লোর্দ রিপোননা হাউস ওফ লন্দনদা ফোঙদোকখি। মদুদি মণিপুর অসি হান্নসু তাবীরল্লগনি শগোল কাংজৈ হৌদোকখিবা লমদমদুনি হায়নসু মশক তাকখি। চহী ৭ খুন্তাকপগী মতাংদসু ১৮৩৫দা বৃটিশকী কেপ্টেন পেম্বর্তোননা হায়খিবদা, মৈতৈগী শগোল লান্মী লৈরমদ্রবদি অসামগী রঙ্গপুরদা অৰা (বর্মিজ)শিংনা লান্দারকপা অদু বৃটিশ শোয়দনা মায়থীরমগনি। শগোলশিংনা বৃটিশকী লেফটনেন্ট ব্রুকিবু কনখিবনি হায়না পল্লি। অদুগা পেম্বর্তোননা হায়রম্বদা মণিপুরগী শগোল অসিদি মমা লৈবাক ফজনা শক খঙবা খ্বাইদগী তোপ-তোপ্পা শগোল অমনি হায়না শীংথানরমখিবসু লৈখি। মণিপুরগী পোনিগী শীংথানিংঙাই ওইবদি লোইবা খন্বা নাইরোই। শগোলগী মনমদা হাপ্তুনা মণিপুরগী সিভিলাইজেসন পাক শন্না শাগৎখিবনি। চহী লিশিং কয়া নীংতম্না ঙাক্লকখিবা খূদিংমক শগোল অসিগী মপালদগীনি। মখোয়বু ঈকায়খুম্নবগী অমদি তৌবীমল উৎপগী থৌনা অদু নৌহৌননা শাগৎতুনা ঐখোয়গী শগোলবু নুংশিবা অমদি য়োকখৎপীনবগী থৌদাং লৌগদবা মতম অসিদা শেল তান্নবনি হায়দুনা শগোলবু অমুক গাড়ী চিংহন্নবা ওইনা শীজিন্নবা হায়বসিদি তুংগী মীরোলদা শুকশোয় শোয়দনা ৰারৌহৌগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী নুমীৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়ানা বৃটিশগী লোয়লম লৈঙাক্তগী নীং-খা তল্লবা মতুংদা ইন্দিয়াগী লৈঙাক লৈজদুনা লৈঙাক্লোন (কন্সটিট্যুসন) শেমজদুনা চৎনবা হৌখিবা নুমীৎ নবেম্বর ২৬পু নীংশিংদুনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী নুমীৎ থৌরম ঙসি ককচিং ৰাইরি পঞ্জাও পাল্লুমদা লৈবা খা মণিপুর কোলেজ ককচিংগী মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

খা মণিপুর কোলেজ টিচর্স ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না শীন্দুনা রিদিং ওফ দ প্রিএম্বল টু দ কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়া হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা খা মণিপুর কোলেজ ককচিংগী ক্যের টেকর প্রিন্সিপাল ৰাই রাজু, কে এম সী ককচিংগী এসোসিয়েট প্রোফেসর ডা. এম সুভাশচন্দ্র অমসুং কোলেজ অসিমক্কী এসোসিয়েট প্রোফেসর এস ইঙোবনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর সত্যব্রতি অমদি এসোসিয়েট প্রোফেসর ডা. এম শান্তি অনীনা লুচিংদুনা মীয়ামগা লোয়ননা প্রিএম্বল পাঙথোকপগা লোয়ননা খা মণিপুর কোলেজ ককচিংগী এন সী সী কেদেটশিংনা মীয়ামগা পুন্না নেসনল এন্থেম শক্তুনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী নুমীৎ অসিবু ঈকায় খুম্নবা উৎখি। মদুগী মতুংদা প্রিএম্বল কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী মতাংদা থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা ৰা ঙাংখি।

কৈরক্তা অমদ্দা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর দলিট দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (অমদ্দা) ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ হাংদোকপগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী কৈরক অৰাং লৈকায়দা হৌনবী মতুংইন্না হাংদোকখ্রে।

অমদ্দা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ হাংদোকপগী থৌরম অদুদা অমদ্দাগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ডা. টি এম রাজেন অয়াংবনা অথোইবা মীথুং, অমদ্দা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট য়ু রোমেশনা থৌরম মপু, ৰাবগাই জিলা পরিষদ ময়েংবম জয়েন্ত, অমদ্দাগী এদভাইজর মোইরাংথেম সোরোজিনি লৈমা অমসুং য়ু এফওগী সেক্রেটরি জেনরেল ৰাই মৈরাবা অঙোমনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অমদ্দা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ হাংদোকপগী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংগী ৰারোল পীরদুনা অমদ্দাগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ডা. টি এম রাজেন অয়াংবনা ফোঙদোকখিবদা, অমদ্দানা মণিপুরদা লৈরিবা লায়রবা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি। থা খরা অসিগী মনুংদা মণিপুরদা লায়রবা ইমুংশিংদা অহোঙবা মমলদা চেঙ ফংহন্নবা হোৎনরি। মহাক মশামক্লা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর দিভেলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্ট রিজন (আই/সী) প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিস, পর্সনেল পব্লিক গ্রিভান্সেস পার্সন্স, এটোমিক ইনর্জি এন্দ স্পেস ডা. জিতেন্দ্রগা মণিপুরগী লায়রবা মীওইশিংগী মরমদা য়াম্না কুপ্না ৰারী শানখ্রে। ৰারী শানবা অদুদা লম লৈজদ্রবা মেম্বরশিংদা লম লেম্না পীদুনা পাট্টালেন্দ ওইহনবা, য়ুম লৈজদ্রবা দলিটকী মীওইশিংদা লেম্না য়ুম শারগা লৈহনবা অমদি লেম্না মৈ-ঈশিং পীনবা লোয়ননা লায়রবা ইমুং অমদা মহৈগা চান্নবা থাক্তা লৈঙাক্কী থবক অমা পীনবা হোৎনবীয়ু হায়বনচিংবা তকশিনখ্রে হায়খি।

সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক শীজিন্নবা তোক্লসি কেম্প্যেন রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : পি ঐচ ঈ দি গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমদি সেন্টর ফোর ৱিমেন এন্দ গার্লস তেংনৌপল চান্দেলগা পুন্না খুৎশম্ন দুনা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক শীজিন্নবা তোক্লসি হায়বা অমদি স্বাছ জলসে সুরক্ষ্য কেম্প্যেন রেল্লি অমা ঙসি পল্লেল অরিবা থোংখোংদগী হৌদুনা খোপীনোম ভিলেজ ফাওবা চৎখ্রে।

পি ঐচ ঈ দি তেংনৌপলগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র টি ঐচ শরতনা লমথাদুনা হৌদোকখিবা স্বাছ জলসে সুরক্ষ্যগী বেন্নর অমদি গ্লোবেল এক্সন মন্থ, প্রমোটিং চিলদ্রেন্স ইনভাইরনমেন্টেল রাইটস হায়না থাবা বেন্নর মখাদা চৎখিবা ঙসিগী রেল্লি অদুদা মহৈরোয়শিংনা এয়র পোল্ল্যুসন, ৱাটর পোল্ল্যুল্লর অমদি সেভ ইনভাইরনমেন্টকা মরী লৈননা মহৈরোয়শিংনা মশা-মশানা ইজবা প্লে কার্দশিংগা লোয়ননা হীরম অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মহৈরোয়শিংগী ওইবা পেন্টিং কম্পিটিসনদা য়েকখিবা লাইশিং অদুবু পায়বগা লোয়ননা ৱি ৱান্ট ক্লিন ৱাটর, ৱি ৱান্ট প্লাষ্টিক ফ্রী, ৱি ৱান্ট ক্লিন এয়র, সেভ দ প্লানেট ৱর্ল্ড হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

পি ঐচ ঈ দি গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমদি সেন্টর ফোর ৱিমেন এন্দ গার্লস তেংনৌপল চান্দেলগা পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা রেল্লি অদুগা মরী লৈননা পি ঐচ ঈ দি তেংনৌপলগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র টি ঐচ শরতনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি মালেমদা অমোৎ-অকায় কয়ানা ঐখোয়গী ইনভাইরনমেন্টতা পীরক্লিবা চৈথেংশিং অসি মীয়ামদা খঙহন্নবগী পান্দমদা মরুওইনা সেকেন্দ ওক্টোবরদগী হৌদুনা জন্যুৰারী ২৬ ফাওবা চথুগদৌরিবা স্বাছ জলসে সুরক্ষ্যগী য়ুমথোঙ খূদিংদা করম্বা ঈশিং শীজিন্নরিবগে হায়বা কেম্প্যেন অমদি গ্লোবেল এক্সন মন্থকী মনুং চন্না সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক অসিনা ঐখোয়গী ইনভাইরনমেন্টতা পীরিবা চৈথেংশিং অসি খঙবীদুনা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিকশিং চখায়বগী মহুৎতা মফম চানা থন্বীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি। করিগুম্বা ঐখোয়না হৌজিক্তগী হৌনা প্লাষ্টিকশিং অসি মফম চানা থমহৌদ্রগদি ইনভাইরনমেন্টতা অঙকপা ফংনা কায়রক্তুনা তুংগী মীরোলশিংনা হিংবদা অচৌবা অৰাবা মায়োক্লগনি হায়খি।

ঙসিগী রেল্লি অদুগী শরুক অমা ওইনা গ্লোবেল এক্সন মন্থকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা পেন্টিং কম্পিটিসনদা মকোক মথং তারবশিংদা মনাসু য়েন্থোকখি।

তুমীন্না লৈশিনবা লাইবক থীবনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : মীয়ামগী পুক থাক্লিবা লৌবুকশিং চহী অসিগী ওইনা চাদা ৭০গী চাংদা লৌ লোক্তুবা ফাওবা লৈঙাক অসিনা তুমীন্না লৈশিনবা লাইবক থীবনি। লৈঙাক্কী তৌফম থোকপশিং তৌবীয়ু হায়না ফার্মর জোইন্ট এক্সন কম্মিটি মণিপুরনা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

ফার্মর জোইন্ট এক্সন কম্মিটি মণিপুরনা শীন্দুনা ইরাবত ভবনদা পাঙথোকখিবা ফার্মর মার্চকী অনীরকশুবা এনিভর্সরিগী থৌরমদা লমদম অসিগী লৌমী অমদি লৌমী লূপ কয়াগী লুচিংবশিংনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা কম্মিটি অসিগী মেম্বর ওইবদা নত্তনা লৌসালগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা মুতুম চুরামনিনা ফোঙদোকখিবদা, লৈঙাক্লা তুমীন্না লৈশিল্লিবা অসি লৈথোকপদা নত্তনা ঙসি ফাওবা কেবিনেট মীফম ফমখিবা লৈত্রি। হীরম অসি তরাইনা খনবগী মহুৎতা নোংমগী ওইবা এসেম্ব্লী মীফম অমা কৌরগা পুন্না খন্ন-নৈনবগী মতম ওইরবনি। লৌমীশিং পুনশিন্দুনা লৌমীশিংগী ফংফম থোকপশিং ফংনবা হোৎনসি। লোয়ননা লোক্তাক পাৎ অসি অচৌ-অশাংশিংগী শায়েন-ঙায়েন্নবগুম তৌরে হায়খি।

দিস্প্যুটেদ এরিয়ানি হায়রকপা লাইবক থীবনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিরেক্টোরেট ওফ সেট্টলমেন্ট এন্দ লেন্দ রেকোর্দস মণিপুর দিমার্কেসন ওর্দরস লম্ফেলপাৎনা চহী অসিগী নবেম্বর ১৪দা পাঙন্বা য়াইতোংবনা থোক্লকপা ওর্দর অমগী মতুংইন্না অপূনবগী সর্ভে হায়বদি তমেংলোং, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অনীগী মুক্তাখল, ফাইতোল অমসুং লৈঙাংপোকপীগী মেপ ১৯৭০গী রেদোর্ককী মতুংইন্না মুক্তাখল অমদি ফাইতোল রেভিন্যু ভিলেজবু দিস্প্যুটেদ এরিয়ানি হায়রকপসি লাইবক থীবনি হায়না জিরিবামগী জে দি ও ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা জে দি ও জিরিবামগী প্রসিদেন্ট নোংমাইথেম সদানন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, দিস্প্যুটেদ এরিয়া হায়রিবসি কদায়দনো হায়বা খঙদোক্লকখিবা টিম অদুদা নাকল অনীমক্তগী সী এস ওশিং য়াওনবা হায়দুনা জিরিবামগী দি সীনা খঙহল্লকপদগী মফম অদুদা জে দি ও জিরিবামনা চৎতুনা য়েংলুবা মতম অদুদা লম ওনবা লোইরে হায়দুনা চৎনখ্রবা মতুংদা ২৪দা ফাইতোলগী চীফ অমদি তমেংলোংগী দি সীগী ওফিসতা থবক তৌবা এল দি সী অতৈ মরুওইবা ষ্টাফশিং য়াওনা নাকল অমত্তগী ওইবা সাইন তৌরম্বা অদু জিরিবামগী মীয়াম্না অমদি জে দি ওনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। মসিগীসু মথক্তা মফম অদুগী লেন্দ সর্ভে অদু নবেম্বর ২৫দা তৌরগা সাইননা নবেম্বর ২৪ তৌরম্বা অসি করিগীনো হায়খিবগা লোয়ননা নাকল অমরোমদা এম এল আর এক্টকী মতুংইন্না মফম অদু রেভিন্যু অমা ওইদুনা মৈহৌরোলদগী লৈরকপা অদু ইখঙ খঙহৌদনা দিস্প্যুটেদ লেন্দনি হায়রকপা লাইবক থীবনি হায়খি।

জিরিবামদদি মমিংতগী ওইনা লৈরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : বি জে পি মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লৈঙাক্কী স্কুলশিং হেন্না ফনবা অমদি স্কুল ফগৎহনসি মিসন চত্থরবসু জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি শুপ্নগী মমিংতগী ঙাইরে। বোরোবেক্রা সব-দিভিজনদা লৈরিবা স্কুলশিং করম্বা ফীভমদা থম্বীরিবগে হায়না বরাক সার্কলদা লৈবা মীয়াম্না লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

বরাক সার্কলদা লৈরিবা অমত্তা ঙাইরবা বোরোবেক্রা হায়র সেকেন্দরি স্কুল অসিদা কেমিষ্ট্রিগী ওজা য়াওদনা ঙসি ফাওবা লৈরিবা অসিদা মহৈরোয় লূপ অমদি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা ফনা কন্না হায়জরবসু ঙসি ফাওবা ওজা থাবীরক্ত্রি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা করম্বা লৈঙাক্কী স্কুলনা অফবা মহৈরোয় পুথোকপা ঙমগদৌরিবনো। স্কুল অসিদা হৌজিক ফাওবা ভাইস প্রিন্সিপাল নৎত্রগা রেগুল্যলর প্রিন্সিপালসু থম্বীবা লৈত্রি। মতিক চাবা মীওই কয়া লৈনা লৈনা উ লৈতবা মফমদা কেগেনা য়ুম্বী ওইহনবগুম বিএইদ ওইদবা ওজা অমনা প্রিন্সিপাল ইন-চার্জগী থবক পুহল্লিবা অসিনা স্কুলসি হেন্না শোত্থনবগী মরম ওইহল্লে হায়রি।

‘এস টি লিষ্টতা চলহৌদ্রবদি হেন্না শোত্থনা লৈহৌরগনি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : লমদম অসিগী মৈতৈ/মীতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহৌদ্রগদি চহী ৩০গী মতুংদা ফুরুপ অসি কা হেন্না শোত্থদুনা লৈহৌরগনি হায়না ককচিং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

দলিট সাহিত্য একাদেমী মণিপুরনা শীন্দুনা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা ৭৩শুবা নেসনল কন্সটিট্যুসন দেগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৰারোল পীরদুনা মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, এস টি দিমান্দ হায়বগী মহুৎতা এস টি রিষ্টোরেসন হায়না ওন্থোকপা চুমগনি। মরমদি ফুরুপ অসি হান্না এস টিদা য়াওদুনা লৈরম্লবা ফুরুপ অমখক্লি। হৌজিক ফুরুপ অসিনা থেংনরিবা ইকনমিক দিসএদভান্টেজনচিংবা কয়া অসিনা চহী খরগী মতুংদা য়াম্না শাথিবা মওংদা ঐখোয়গী ফুরুপ অসি ওইরক্লগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ককচিং এ সীগী এম এল এ রামেশ্বরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা কান্নবশিং লমদম অসিগী মীপুম খূদিংনা থিমিন্নবা অমা চঙই। কন্সটিট্যুসন অসিবু খঙলবা কাঙবুনা মফম-মফম খূদিং মীয়াম্বু ৰাখল তানবা এৱ্যেৰ্নেসনচিংবা কয়া পাঙথোক্তুনা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী সিগ্নিফিকেন্সশিং শন্দোকপা মথৌ তাই। ঐখোয় পুম্নমক্লা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াদা য়াওরিবা ফজখ্রবা ৰাফমশিং অসি খঙমিন্নরবদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক ঈংনা চিক্লা লৈমিন্নবদা নত্তনা ফংফম থোকপা রাইটশিংসু ফংবা ঙমগনি হায়খি।

মণিপুর তম্মী-চীংমীগী সিলভর জুবিলিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপ লিংখৎখিবা চহী ২৫ মপুং ফারকপগী সিলভর জুবিলিগী থৌরম ঙসি উরিপোক (লৈকোল পুখ্রি) য়াম্বেম মোহোরি মেমোরিএল য়ুথ ক্লবকী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা সিলভর জুবিলিগী থৌরম অদুদা লূপ অসিগী লৈখিদ্রবা মেম্বরশিংগী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা ঈকায় খুম্নবগা লোয়ননা লৈহৌরিবা ইমুংগী মীওইশিংদা নীংশিং খুদোল পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুগী কিনোট এদ্রেস পীরদুনা তম্মী-চীংমীগী জেনরেল সেক্রেটরি অঙোম জিবনমালানা ফোঙদোকখিবদা, মীওইবগী হিংবগী রাইটপু খোঙ্গাওনবগী থৌওং চত্থরকপা, নুপীগী মায়োক্তা তেমশিংনরকপা মীওৎ-মীনৈ অমদি ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা অমসুং ফোংনা য়োনবা থৌওংশিং চত্থরকপগী মায়োক্তা তম্মী-চীংমী অনীমক্লা পুন্না লিংজেল মান্নবা থেংনমিন্নবগী ৰাখল্লোন্দা উরিপোক কাংচুপ তাবা লম্বীগী নাক-য়েৎতা তোঙান তোঙানবা মৈরা পায়বী লূপ অমসুং মরুওইনা উরিপোক, সগোলবন্দ অমদি পাৎশোই এ সী অহুমগী অপূনবা নুপী লূপ ওইনা কুমজা ১৯৯৩দা উরিপোক কাংচুপ রোদ অপূনবা নুপী লূপ শেমখি। লোয়ননা ইস্যু কয়াদা মতিং লৈনা শরুক য়াবা হৌরকখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট য়াম্বেম মোমোন লৈমনা ফোঙদোকখিবদা, হিংবগী রাইট মৎপীখ্রবা খুন্নাই অসিদা অফস্পা ১৯৫৮-গী মরুমদা সিফাইনা মীয়ামদা অমদি নুপী-অঙাংদা কা হেন্না মীওৎ-মীনৈ চত্থরকপা কয়া মীয়ামগা লোয়ননা লূপ অসিনা চাউনা মতেং পাংখি। ময়ুমদগী ফারগা পুখিবা অংথাগী সনামচা, থাংমৈবন্দগী বিজয়কুমার, রিমসকী মীহাৎ, পাৎশোই-লাংজিং অমদি হৈরাঙ্গোইথোংগী থৌদোক, মালোমগী মীহাৎ, থাংজম মনোরমাগী থৌদোকনচিংবা ইস্যু কয়াদা লূপ অসিনা শরুক য়াদুনা লাকখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লৈবাক অমা চাউখৎহনবা হায়বসি কন্সটিট্যুসনবু ঈকায়খুম্নরবতদা ওইগনি : শামুঙৌ

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : লৈবাক অমা চাউখৎহনবা, লৈবাক অমা ঈং-তপ্না থম্বা হায়বসি লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়াম্না মরুওইনা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তনা ভোট থাদবা য়ারবা মীয়াম্না লৈবাক অদুগী কন্সটিট্যুসনবু ঈকায় খুম্নরবা অমদি ঙাক্লা চৎনরবা মতম অদুখক্তদা চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইগনি হায়বসি মণিপুর পিপলস দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট (এম পি দি এফ)কী থাজবনি হায়না ফ্রন্ট অসিগী সেক্রেটরি সাপম শাঙৌনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা ৭৩রকশুবা কন্সটিট্যুসন দে ওফ ইন্দিয়াগী থৌরমদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, ঐখোয়সু মণিপুর চাউখৎহনসি হায়রবদি ঐখোয়গী কন্সটিট্যুসন ঙাক্লা চৎপা তাই অমদি খঙবা তাই। কন্সটিট্যুসনগী মথক্তা কনাসু লৈতে। ঐখোয়না ঐখোয়গী কন্সটিট্যুসনবু ঈকায় খুম্নবা অমদি ঙাক্লা চৎপা হায়বসি কন্সটিট্যুসন্না পীবা ঐখোয়গী ফন্দামেন্টেল দ্যুটিনি। লোয়ননা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়ানা পীবা মীয়ামগী ফন্দামেন্টেল রাইট পার্ট থ্রী, আর্টিকল ১৩-৫১ ফংগনি হায়বসি ঐখোয় কাউফম থোক্তে। ভোট থাদবনা মীয়ামগী ফন্দামেন্টেল দ্যুটিনি হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্লা খঙমিন্নবা চঙই। মীয়াম্না লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন খঙদনা অফবা লৈঙাক লৈবা হৌনদে। ঐখোয়না কন্সটিট্যুসন খঙলবা মতমদতা অফবা লৈঙাক লৈগনি।

ঐখোয় ইশানা ইশাগী ফন্দামেন্টেল দ্যুটি খঙদনা ইকনমিক ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক, বন্দনচিংবা তৌদুনা ঐখোয়গী অপাম্বা অনীংবা ফংগদ্রা খন্নরিবা অসিসু খন্থবগী মতম ওইরে। কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা মীয়ামগী ফন্দামেন্টেল রাইটকী মনুংদা এজিটেসন, এক্সপ্রেসন তৌবা হায়বসি মীয়ামগী রাইটনি। কন্সটিট্যুসন খঙদবদগী মণিপুরনা দ মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ লৈদুনা দ মণিপুর ষ্টেট ইলেক্সন রুলস ১৯৪৮গী মখাদা ইলেক্সন তৌদুনা মীয়ামগী মীহুৎ ৫৩ খন্দুনা মণিপুরগী মহারাজনা হেদ ওফ দ কন্ট্রি ওইদুনা লৈবাক ঙাক্লবা, মালেমদা দেমোক্রেসি চৎলবা লৈবাক অমা ওইরবা মণিপুরনা কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা মর্জর এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনখি। দ মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ মতমদুগী লৈবাক ঙাকপা মীয়ামগী মীহুৎশিং অদুনা খঙলম্লবদি মর্জর এগ্রিমেন্ট তৌনরমদবসু য়াই। অদুনা ঙসিগী ২১শুবা চহীচা অসিদদি লাউবনা য়ারোই, এজিটেসন্না য়ারোই অমদি ভাইওলেন্সনা য়ারোই। কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ১দগী ৩৯৫ (রিপিল য়াওদনা) সেদ্যুল ১দগী ১২ ফাওবগী মনুংদা ষ্টেট অমগী রাইট, মীয়ামগী রাইট পীরিবশিং অসি ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সীশিং অসিনা কাঙলোন চুম্না তৌবদা মালেমদা ঐখোয়গী ইন্দিয়া তোমথিন ঙানবা নুমীৎ ওইদুনা মালেমগী লৈবাকশিংনা অৰাংবা থাক্তা ঈকায় খুম্নগদবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, মপাঙ্গল লৈবা, পৱার লৈবা, ৰাত্ত-পাদবা ইন্দিয়া অমদি রাম রাজ্য ওইহনবদা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী লৈরিবা আর্টিকল ১দগী ৩৯৫ (রিপিল য়াওদনা) সেদ্যুল ১দগী ১২ ফাওবা অসি ঙাক্লা চৎপগা লোয়ননা ঐখোয় খূদিংমক্লা খঙমিন্নবগা লোয়ননা কন্সটিট্যুসনবু ঈকায়খুম্নবা তাই। কন্সটিট্যুসন খঙদনা লৈবাক ঙাক্লবদি চাউখৎপা ঙম্লোই। ঐখোয় পুম্নমক কন্সটিট্যুসন খঙমিন্নসি অমদি ঙাক্লা চৎমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নেসনল লো দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস) : আই ক্যু এ সী (এন এ এ সী) রোয়েল একাদেমী ওফ লো ওইনামনা অধিভক্ত পরিষদ মণিপুরগা খুৎশম্নদুনা নেসনল লো দে ২০২২গী থৌরম রোয়েল একাদেমী ওফ লো ওইনামগী সেমিনার হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না একাদেমী অসিগী প্রিন্সিপাল ইলিভা মাইস্নামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী ফোর্মর এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মনি, অধিভক্ত পরিষদ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ইরেংবম জুগেশ্বর অমদি রোয়েল একাদেমী ওফ লো ওইনামগী প্রিন্সিপাল ইলিজা মাইস্নামনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী কিনোট এদ্রেসনা অধিভক্ত পরিষদ মণিপুরগী সেক্রেটরি সিনিয়র এদভোকেট সলাম রুপচন্দ্রনা পীখি।

লোয়ননা থৌরমদুগা মরী লৈননা আর এ এল/ও এন এমগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর আই দয়ানিশ্বরিনা প্রিএম্বল পাথোকপগা লোয়ননা কন্সটিট্যুসনগা মরী লৈননা লো দেগী ৱাশকসু পুন্না লৌমিন্নখি। থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা সিনিয়র এদভোকেট ইরোম ললিতকুমার অমদি হ্যুমেন রাইটস এলার্ট মণিপুরগী দিরেক্টর বব্লু লোইতোংবমনচিংবনা নেসনল লো দেগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা খাইদেম মনিনসু ৱা ঙাংখি হায়রি।